ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯵, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ওক্টোবর ০৫, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৮৬শুবা মশীং

# ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান য়েংথিনবা

## ৱারী শানবা নৎতনা য়াশিন্নবা পুরক্লবগী লম্বী লৈতে

মতম অমদা অপূনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বদগী তোখাই তানখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মরক্তা অয়ৌবী থাক্তা উংখৎনরক্লি। কাশ্মিরগী মতাংদা মলোম থম্নদুনা লান শোক্লখ্রবা অমদি ঙমখৈদা তোয়না নোংমৈ কাপ্লদুনা লাকখিবা লৈবাক অনীনা হৌজিক ন্যুক্লিয়রগী লান শোক্লরকপা য়াবগী ফীভম ফাওবা লাক্লে। য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীনা হৌজিক অয়ৌবী থাক্তা মুক্লরক্লিবসিসু কাশ্মিরগী মতাংদনি। মতম অমদা লৈবাক অনী তোখাই তানখিবা মতমদগী হৌনা কাশ্মিরগী মতাংদা অদুম্মক য়েৎনদুনা লাকখ্রবনি। ইন্দিয়াদা পূল্লিবা কাশ্মিরগী শরুকপু পাকিস্তাননদি "ইন্দিয়ন ওক্যুপাইদ কাশ্মির" হায়না খঙনরি। অমরোমদা পাকিস্তানগা পূল্লিবা কাশ্মিরগী শরুকপু ইন্দিয়ানা "পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মির"নি হায়রি। মতৌ অসুম্না লৈবাক অনী উংখৎনদুনা লাকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা হন্দক্তা কন্সটিট্যুসনগী অর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খায়দোক্লুবদগী অমুক্কা হেন্না য়েংথিনরকখিবনি। মতম অমদা ইন্দিয়া-পাকিস্তান লান শোক্লখিবা তারবসু ইচম-চম্না কনভেনসনেল ৱেপন শীজিন্নখিবা মরম্না কা-হেনবা মওংদা মীশি মীনা অমদি অমাঙ-অতা থোকখিদে। পাক শন্না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় পৈশিন্দুনা থম্নরবা লৈবাক অনীনা হৌজিক করিগুম্বা লান শোক্লরকপা তারবদি অঙকপা ফংনা অমাঙ-অতা থোক্লগনি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরেদো বোল্দর অমসুং রটজর য়ুনিভর্সিটিগী রিছর্সরশিংনা চৎথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ কয়ামরুম পৈশিন্দুনা থম্নরবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান লান শোক্লরকপা তারবদি শুপ্নগী চয়োল অমখক্কী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ১২৫ শিহনবগা লোয়ননা মালেমগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা চহী ৬কী মনুংদা শিখিবা মী মশীংদগী ইন্দিয়া-পাকিস্তান লান শোক্লরকপা মতমদা শুপ্নগী চয়োল অমখক্কী মনুংদা শিবা মী মশীংনা য়াম্বা হেল্লগনি। য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীদা অঙকপা ফংনা অমাঙ-অতা থোকহনবগী মথক্তা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু অচৌবা চৈথেং অমা শোয়দনা পীরগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী রিছর্সরশিংনা ফোঙদোক্লি।

'সাইন্স এদভান্সেস' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তাননা কাশ্মিরগী মতাংদা কনভেন্সনেল ৱেপন শীজিন্নদুনা কয়ারক লান শোক্লখিবা তারবসু কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদদি য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীনা ন্যুক্লিয়রগী লান শোক্লরকপা য়ানা লৈরে। ন্যুক্লিয়র-মিসাইল নৎত্রগা বোম অমা পোকখায়বা মতমদা অপীকপা কার্বোন পার্টিকল মিলিয়ন ১৬ তগীনা ৩৬ ফাওবা থাদোরক্তুনা মালেমগী এটমোস্ফেয়রদা তিনখিবা য়াই। মদুনা মরম ওইরগা নুমীৎতগী থাদোরকপা সোলর রেদিয়েসন চুপশিনখিদুনা মালেমগী অকোয়বদা শীৎলিবা নুংশিৎ পূম্নমক শাবগী চাং হেনগৎলক্লগনি। মতমদুদা নুমীৎকী মঙালনা মালেমগী লৈমায়দা য়ৌরকপগী চাং চাদা ১৫দগীনা চাদা ৩০ ফাওবা হন্থরক্লগনি। সমুদ্রদা ফংবা চীঞ্জাকশিংসু চাদা ৫দগী চাদা ১৫ হন্থরক্লগনি। ন্যুক্লিয়র বোমদগী থোরকপা মৈখূনা পীরকপা চৈথেং কোকহন্নবা হোৎনবদা চাউরাক্লা চহী ১০ হেন্না চঙবা য়াই হায়নসু রিছর্সরশিংনা ফোঙদোকখি। মতাং অসিদা হৌজিক খন্নবা য়ারিবসি য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী করম্বা থাক য়ৌনা শোকচিনখ্রবগে অমসুং মতৌ করম্না লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনগদগে হায়বদুনি। কাশ্মিরগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা মাগী-মাগী ওইবা ৱাফমশিং য়ুনাইটেদ নেসন্সতা পুখৎতুনা লাকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অনীগী মরী অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লকপা য়ানা লৈরে। ন্যু দিল্লিনা কাশ্মিরদা পীরম্বা ওটোনোমি লৌথোকখ্রবা মতুংদা ইস্লামবাদনা ৱাথোক অসিদা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী মীৎয়েং চিংশিন্নবগী পান্দমদা মখল-মখা কয়াগী থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি। নাকল অমরোমদা ইন্দিয়ানা টেররিজমদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা পাকিস্তানবু টেররিজম শৌগৎলি হায়না মালেমগী মীয়ামদা উৎনবা হোৎনরি। ন্যু দিল্লিনা অর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অমদি পাকিস্তানবু লান্না উহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা শৌগৎলকপা তারগসু য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবগী মতাংদদি থোইদোক্না কান্নবা ফংলোই হায়বা য়াই। মরূ তাশিনখ্রবা লৈবাক অনীগী য়েংথিনবা অসি ন্যু দিল্লিনা মিলিটরিগী পাম্বৈ শীজিন্নরগা কোকহন্নবা হোৎনবদা ফীভম হেন্না লুশিল্লকপা নৎতনা থোইদোকপা কান্নবা অমত্তা ফংলোই হায়না থাজনরি। কাশ্মিরগী মফম পূম্নমক্তা লান্মী থাজিনবা অমসুং পাকিস্তানগা লোন্নবা ঙমখৈদা মশীং য়াল্লবা লান্মী পৈশিনবনা য়েংথিনবগী চাং অমুক্কা হেন্না ৱাংখৎহল্লকপা য়াই। অঙম তান্নদুনা মুক্লবগী থৌওং অসিনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী ভোট মশীং য়াম্না ফংহনবা য়াই। অদুবু য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী ন্যুক্লিয়রগী লান শোক্লরকপা য়াবগী ফীভম কোকহনবদি ঙম্লোই। অমরোমদা ইন্দিয়ানা ক্রোস বোর্দর টেররিজমগী মতাংদা নৎত্রবদি পাকিস্তানগা ৱারী শানরোই হায়না লৌরিবা ফিরেপ অসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়নগদবা মান্দে। পাকিস্তাননা টেররিজম শৌগৎলি হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা টেররিজমগী মতাংদা ৱারী শানসি হায়রুবদা পাকিস্তাননা তরাই-তরাই য়ারক্কনি নীংদে। ইচম-চম্না কন্দিসন অমত্তা থম্নদনা ৱারী শানবা হৌরগা মতাং চাবদা টেররিজমগী ৱাফম পুখৎনবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### খোঙনা কদোমদা চৎলু হায়বনো?

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা ৱাখল খন্থনবা ৱাৎনরিবা অসি করম্বা মতমদা ৱাখল তানদুনা অফবা, অশেংবা মীনুংশি লৈনবা হায়বদু ওইরকখিগনি। মীনা মীবু মীনুংশি য়াওনদবা লমদম ওইদুনা অসুম লৈখিগদ্রা? তূমদবা মীবু হৌদোকপা লুই হায়নবগুম থোক্লবরা খঙদে। মতমগী নোংলৈ নুংশিৎতা কোয়পাই পাইদুনা লৈরিবা ঐখোয়গী পূক্লিং ৱাখলসে খরদি খন্থনবনা ফর্ব্রা খঞ্জে। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ৱাখল মান্নদনা ইরমদমগী চাওখৎ থৌরাংদা লৈঙাক ঙাক্তনা তৌজরক্কনি হায়দুনা লৈথোক্লবদি ইরমদম চাওখৎপা ঙমগনি থাজদে। অদুনা লৈঙাক্তা ঙাক্তা তাইনবগী মহুত্তা ঐখোয় ইশানা ফৈ খন্না তৌনরিবা থবক থৌরম কয়াসি চুম্মী-লাল্লি, য়াই-য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈনরগা কোক চুংশিন্নদুনা তৌমীন্নবনা ফগদ্রা খল্লি। অদুবু পূম্নমক অসিগী ওন্ন-তৈনবদা ঐখোয়গী সরক্তা ঐগী-ঐগী অনীংবা অপাম্বা কয়ানা হেনখিবনা ঐগীনা অচুম্বনি নুংঙাইরগা, কান্নহৌরগা লোইরে খন্নবসু য়াওনদবা নত্তে। অদুগা মীনা মীবু হন্না য়েংনদবা, তুংগী চারোল-শুরোলগী খন্নদবা তারগদি ঐগীতা খন্দুনা পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা লৈমিন্নবনা নুংঙাইরবা লমদম অমা ওইরক্কনি নীংজে।

নাকল অমদনা সরক-লমজাও কয়াদা গাড়ী থৌরিবশিংনা করম্বা মতমদনো ৱাখল তাক্কেদৌরিবা। গাড়ী খাম্ফম অমদি থাফম ফাওবা খঙনদে, লম্বী ময়ায়দা খরা খামজিন, গোলাইদা খরা থাজিন, মানা-মানা অপাম্বা তৌনরি। অদুগা লম্বী চিল্লি-চিন্দে খঙনদনা গাড়ী সেট ওইশিনবা, কুম্মৈ অমা তৌরবসু করিগুম্বা হীরম অমগী তম্ফম-তাকফম ওইরবসু লম্বী চিনবগীদি খন্নদনা গাড়ী হেক্তা খামজিনবদগী খোঙনা চৎপদা, সরক লান্থোক-লানশিন্দসু অৱাবা ওইনরি। অদুগা ইম্ফাল সহরগী সনা কোনুংগী সনথোং, কোনুং মমাঙ হায়নরিবা লমলোং মরি ফাংবগী লম্বী অসিসুনি কোনুংলোমদগী, সঞ্জেনথোং, ৱাংখৈ, ন্যু চেক্কোন, পোরোম্পাৎ, নোংমৈবুং লাইন ময়াম অসিগী চৎফম ওইরিবা কোনুং মমাঙগী গাড়ী ময়াম পূন্না লাকফম অসিদা গাড়ী ময়াম অমা খামজিনবা, থমজিনবনা লম্বী চৎপদা অৱাবা অমা ওইরক্লি। অদুনা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং অমুক্তং চঙহঞ্জনীংই। হৌজিক হৌজিকসু গাড়ী চিনবনা মরম ওইরগা ফুট পাথতা চৎকদবসু চৎপা ফংনদ্রি। লম লমগী ফুট পাথসু লম্বী মতেক মতেক শেম্বীরবসু খোঙনা চৎফমদি নিংথিনা লৈত্রি। মরমদি ফুট পাথকী মনাক্তা শারিবা য়ূম, দুকানশিংগী পোৎ চৈ কয়া পৈশিনবা, গাড়ী শেম্ফম ওইশিনবতা নত্তনা সরক কোয়লাস ফাওবা নূং, লৈঙোই পৈশিনবা কয়ানি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা ট্রাফিক জাম ওইহনবদসু মতেং পাংব্রা নীংই। অদুবু হন্দক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফুট পাথতা থমজিনবা/পৈশিনবা, লম হেনজিনবা য়ারোই হায়না শিদোকপা য়াওনা থবক লৌখৎলকপা অসিবুদি লম্বী চৎপা মীয়াম্না থাগৎনরক্লি। তৌবতবু লম-লম খুদিংগী মফম কয়াদা লৈরিবা ফুট পাথশিংসু য়েংশিনহন্নীংবগী মতসু পীনরক্লি।

লৈঙাক্কী থৌশিলদা ঐখোয়না থোইনা ৱারৌফম লৈতেসু খল্লি। ঐখোয়না মীগী চাক্লুক লুম্লুবনি খন্দুনা ইকায়বা অমদি ইপোৎ, ইচৈ কয়া মাঙলগা পূক্লিংদা নুংঙাইতবা পোক্লবসু ঐনা তৌরুবা ইরালদুগী মহয় ফংজবনি হায়না খনফমদি থোকই। অদুনা তুংদা মীগী শরুক শোক্লন্দনা ঐগী অশেংবা মফম অদুতং ঐগী ওইনা শীজিন্নবনা অৱাবা, ইকায়বা নংলোই খঞ্জে। অদুগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু বোম্না হৌরগা পোকলাউবীনা লোইবদি তাহনবীগনু। মফম শিন্থুংনা অফ-ফত্ত মীৎয়েং চঙবীয়ু। অয়েংবা খরখক য়েংবীরগা লোইশিনবদি লাইনসু য়াগদৌবা মান্দে। অদুনা লৈঙাক্লসু মরী লৈনবশিংগা তানবীদুনা খোঙ লম্বী, ফুট পাথশিং নিংথিনা থম্বীদুনা লম্বীগী অচিনবদগী কনবীয়ু। লম্বীদি লৈতনা খোঙনা কদোমদা চৎলু হায়বনো হায়বদু তাহনবীগনু হায়জরি।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

# এল কুঞ্জকিশোরগী ঈশৈ

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



কাউদ্রি কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ২৫দা মণিপুর ফাগি সেন্টর লিমিটেদ কৌবা ফেসবুক গ্রুপ অমগী চহীগী চাকলেন মীফম অমা ঈংনা চিক্লা পাঙথোকখিবা অদু। মণিপুরগী ফাগি হৈবা মেম্বর (মীওই নুপা-নুপী, অহল-নহা কয়া) লাক্তুনা ফাগি তৌনরম্বা অমদি ঈশৈ কয়া নীংথিরবা চীংখোঙ অদুদা মেম্বর কয়ানা খুদোল তম্নখিবা।

শৈশকপশিংগী মনুংদা রাজকুমার জ্ঞানরঞ্জন, রোশনিকান্ত শর্ম্মা য়াওখি। মসিগী মথক্তা য়াম্না হেন্না নুংঙাইখিবদি এল কুঞ্জকিশোর কৌবা শৈশকপা অমা য়াওরম্বা অসিনি। শক্তোরক্কনি খন্দবা ঈশৈ অনী/অহুম (?) লান্থোকপিখি। হেক মিং লাউথোরকপা অমদি শৈশকপা অসিগী মশক উবদা ঈশৈ তাগদবগী লৈরম্বা ময়ামদুনা করি ঈশৈবু শক্লক্কদগে হায়না লাংতক্লখি। প্রোফেসনেল ওইবা শৈশকপশিংনা শকপা ঈশৈগী থৌরম নত্তবনিনা অমনা শকপা ঈশৈ অমনা শক্লকই - কনা লৈতে ঐগী তাইবঙসিদা, ইদোমমতা লাকপনি ইদোমতা হনখিনি... হেক তাবদা খুন্দ্রাকপম জয়কুমার চপ চানা হিঙ্গৎলক্লিবোই খন্দবা ঙমখিদে। নহানমখৈ অমুক্তা ঈশৈ তাখিদ্রিবা শৈশকপা অমনা অসুম্না শুকথা হেক থাজদবা ফজরবা খোঞ্জেলদা ঈশৈ অমা শক্লকপদা ময়াম খূবাক্লা চীঙ্গোল অদু পূমনিন নিনখি হায়বা য়াই। থাজদবা মফমদা কৈ লৈ হায়বা অদুম্মক নুমিৎ অদুদা থোকখি। ইতোমদা খনখি অসুক ফজবা খোঞ্জেল অমা নহানমখৈ ঐনা তাদনা লৈরল্লিবা অসিবু ঈশৈ অসুক পামজরবা, ঙাওজরবা কমাইনা তৌবা মীনোনে ঐসিবো।

নোংমা অমদি শৈশকপা অসিগা ৱারী শানগে হায়না খনখি। তাঞ্জা ঙাইবা তাখি। মতম খরা লৈরগা কুমজা ২০১৭তা ওইবা তাই - ইনাও ঐ ঈশৈ খরা ফোঙদবা য়াদ্রে, ফোঙবগী থৌরম অমা লৈ অমুক্তা য়াওবিয়ু। অদুবু ফোঙবগী থৌরম ঐ য়াওবদি তাঞ্জা অমদগী ফংখিদে। মদুগী নীংঙমদবা অমা লৈরিঙৈ তাঞ্জানি, নোংমা ইয়াম্বা অসিনা মাগী ঈশৈগী সী দি ২০১৯গী সাহিত্যগী লূপ অমগী ফাউন্দেসন দে অমদা থেংনদুনা পীরক্লে। কংলৈপাক হায়না মিংথোনবা ওদিও সী দিগী ঈশৈ তরুক য়াওবা দিস্ক অমা। য়ূম হেক য়ৌবগা অদুম তারে। মশামক্লা ইজবা ঈশৈ ঙাক্তনি। কংলৈপাক মচা ঐখোয়সে, থাজদনা য়েংবা মীৎয়েং, নঙগী ৱাখল খন্না, ননাক্তা লাকখিদ্রবা ঐসে, নুংশি লমন তোনশিল্লে অমদি খোঙথাং অদো লেপখো হায়বা ঈশৈ তরুকনি। কংলৈপাক মচা ঐখোয়সে হায়বা ঈশৈ অসিদা (কংলৈপাক) মণিপুর মচা ঐখোয়শিং অসিনা মণিপুর অসিগী তৌগদবা থবক ময়াম অমা লৈরি পুকচেল তিন্ননা, লিংজেল মান্ননা পাঙথোকসি হায়বগী খোল্লাউ অমা য়াওরি। ঈশৈ তরুকমক য়াম্না ঈংনা পানবা শুর ঙাক্তনি। নুংশিবগী মরমদা ইবা ঈশৈনা মঙানি।

কংলৈপাক মচা ঐখোয়সে হায়বা অসিমগা থাজদনা য়েংবা মীৎয়েং হায়বা ঈশৈ অনী অসিদি তারুবা খুদিংনা শোয়দনা পাম্নরগদবা ঈশৈ হায়বদু ওইরে। ঈশৈদা ঙাওজবা অমা ওইনা ঈশৈ কয়া কয়া মথং-মথং লেপ্তুনা পুথোকপা ঙম্নবা তাইবঙ মপুদা থৌনিজরি।

ইয়াম্বা কুঞ্জকিশোর হৌজিক হৌজিক চীংঙারেল তেজপুরদা লৈরি, ফক্লুং ময়ায় লৈকায়দা পোকখিবনি। মচিন মনাও মঙানি। মণিপুর লৈঙাক্কী থবক অমা তৌই। ঈশৈ নোংমাইদা মনা-মথুম কয়া ফংলকই। মাগী খ্বাইদগী চুশিন্নবা ঈশৈগী যন্ত্রদি বাঁসিনি। নহা ওইরিঙৈ নাপেৎ বীপিন শৈশকপা অমদি বীরেন কবুই গীটর খোংবা হায়রিবা মখোয় অনীসিগা কন্না লোয়নরকই। এল কুঞ্জকিশোরগী বাঁসিগী ওজাদি লৈখিদ্রবা ওজা মোইরাংথেম কুল্লোনি।

জিতেন খাইদেম্না হায়বিবদগী মহাক কুমজা ১৯৭৯দগী চাকথেকপী পার্টি (নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন) গী বাঁসি খোংবা হৌখি। 'লম্লক্কী চেক্লা' কৌবা লীলা অমদা মানা বাঁসি খোংবদা লীলা য়েংবা মীয়ামগী মপি তাহনবা ঙমখি। মশাগী য়ূমদা ঈশৈগী শুর পানবসু লেপ্তুরি হৌজিক ফাওবদা। ইয়াম্না অসিনা ঙসি ফাওবদা মখা তানা ঈশৈ নোংমাইগী লম্দা থবক কয়া তৌখিগে হায়না চেৎনা থম্মোয়নুংদা নীংজরি।

পূম্নমক্তগী হেনবদি ঈশৈনি। মসিদা হিংসা, খৎনা-চৈনবা, মীঙোন্দা কায়রুবা, য়েৎলুবা, অৱাবা পীরুবা অমত্তা য়াওদ্রে, নুংঙাইবগী নুংঙাইবা ঙাক্তনি। হনুরসু নহা ওইথোকহনবা, পূক্লিংগী অৱাবা তেকখৎহনবা... থম্মোয়গী মপাউ য়ৌহনখিবা ঙম্বা ঈশৈ নত্তনা করি অমত্তা লৈরমদ্রে। শকপীখো ইয়াম্বা কুঞ্জকিশোর ... নুংঙাই-নুংঙাইরবা ঈশৈ কয়া ঐখোয় ময়াম্না তাগদবগী খৌরাংনা ঙাইনরি ... অকায়বা অমত্তা লৈতে ঈশৈগী মতাংদা...। ●

# ডা. কমল খোঙ্গুল লীবা

**নবকুমার ওইনা**

ডা. কমলবু পায়বা য়াবা শলিগ্রাম লাৎপগুম তকথোক-নান্থোক্তুনা য়েংলিবা অশৈবা অমা হায়রবদি ডা. শরতনা ওইরে হায়বা য়ারে। ডা. অনীসিগী মান্নবা খরা য়াওরম্বসু য়ারি। পোকপগী মতম মান্নদ্রবসু ৱানা নংনা হৌরক্লগা চীংদা-মান্দা কোয়না চৎপগী পুন্সি খোঙচত্তা মমি তাবা হায়বসি চৎলুরিবা মীওই অদুতনা খঙবা তারকই। ডা. শরতনা ডা. কমলদা ঙাওরকই, পোকফম-শাৎফম নক্লরুবগী ওইরম্বসু য়ারি। মীপূম খুদিংদা লাই অদুদি তোংলুবা নৎত্রি।

ডা. কমল খঙনবা হোৎনবা হায়বসি লমদম অসিগী অশৈবশিংগী তঙাইফদবা থৌদাং ওইরকই। মদুমক মপূং ফানবা ডা. শরতনা চহী কুন চংনা হোৎনবগী মহয় ফংলে হায়বদি য়ারে। অদুমকপু ডা. শরতনদি মপূং ফাদ্রি খল্লি। 'ডা. কমল : পুন্সি অমসুং মঙলান' ফোঙলবা মতুংদা ডা. কমলদা থল্লিবা মীৎয়েং য়াওবা 'ঈচেলদুগী ঈরাওখোল' ফোঙই। কমলগী মরমদা অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকপা পেন্দ্রি হায়বা উৎলি। লাইরিক অমা ওইবগী অৱাৎপা অশোনবা কিরুবা তৌদনা কমলগী মরমদা খরা পেন্না ফোঙদোকপা ঙমজরবদি মদোম পেঞ্জবা ঙম্বা ওইরম্বসু য়ারি। অচুম্বা অমা থিবসু মাল্লকই, মদুমক মীয়ামদা অশেংবা পাউদম পীবা ঙম্নবা চহী কয়া চঙনা হোৎনরকখিবা অসিমক্তি ইরায়-লায়না লৌবা হৌনদ্রে।

কংলৈপাকসিগী অশৈবশিংগী শৈলোন অমা লৈজে। মদুমক্কী খোঙজেল অমসু লৈফম থোকই, খোঙজেল নায়না চেন্থরিবা ঈচেল অদুগী ঈরাওখোল অমা তারি। মদুমক লাইরিক অসিগী মমিং ওইরি। ঈরাওখোলদুদা 'মাধবী' য়াওরি 'লৈ পরেং' য়াওরি। কমলখক্তা উবদি নত্তে, খ্বাইরাকপম চাউবগী 'থায়নগী লৈরাং', 'ৱাখলগী ঈচেল', 'লবঙ্গলতা' অমসুং হিজম অঙাংহলগী 'খম্বা থোইবী শৈরেং', 'শিঙেল ইন্দু', 'জহেরা' নচিংবা নৈনদুনা কমল-অঙাংহল-চাউবা অহুম্না খুন্নাই অসিগী শক্তম করি ওইবা পাল্লম্বা পুথোক্লবা হোৎনবা থৌরাং অমসু ওইরি। 'মীওইবগী অৱা-নুংঙাই, পেঞ্জদবা, কায়নবা-থুংনবা, কল্লক-য়েংথীনবা, নুংনাংবা, অশাউবা অমদি অকিবা...' ময়ামসিনা মীওইবদা অথোৎপা অমেংবা, থম্মোয়দা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পীদুনা খুন্নাই অসিবু শেংদোক্লবা হোৎনরিবনি হায়না খল্লি। মীয়াম্নদি খঙবীদ্রবা কাচিন-কোয়াদা থম্মোয় শোক্লা তেংথারিবা, অৱা-মৈশা লাংলিবা মঙম পাংজদ্রবা কয়াগী শৈরোল কয়াসু ঈচেলসিদা তিল্লি হায়বনি।

ডা. কমল ৱা কয়া ঙাঙগন্দে, ডাক্তর ওইনা তমেংলোংদা পোষ্টিং থাবসি লোই থাবগুম্বনি খল্লি। অহিং মরি চীং লম্বীদা য়ারেক্তুনা চৎলম্বনি, হোয়-মাই হায়দনা য়াখি। মহৌশা লাইরেম্বীনা 'মাধবী' পুথোক্লবা শিনবা লীলানি। কমলনা পুন্সি হায়বসি এক্সপ্রিমেন্ট তৌনবা লেবোরেটরি ওইনা লৌখি। লমন খুম্ববু পুন্সিগী মশক তাক্লবা খুদোংচাবা ওইনা লৌখি। 'মাধবী' গী অরোয়বা শরুক্তা কমলগী পুন্সিগী মমি ময়েক শেংনা তাবা উগনি হায়রি। ডা. কমলগী পুন্সিদি নীংবা কায়বা, ইকায়বা নংবা, মীনা মীবু হন্থনা য়েংবা মীৎয়েং কয়াগী চৈথেং মরক্তা অনৌবা মচু অমা শংলকখি। নীংবা কায়বগী মৈখু চুরবা পিরাংদুনা 'মাধবী' ইরমখি। ইংলিস মচাশিংগা লোয়নবা ফংলবা, অসামদা ডোক্তর তম্লুরবা মীওই অমনা মতম অদুগী কংলৈপাকপু করি ওইনবু উরমগবা? অৱাববু নুংঙাইবনি খনবা ঙম্বা মী য়ামদে, কমলদি মদুগী ট্রান্সফোর্মেসন ঙমখি। ইরগসু থল্লম্মী হায়বনি। ডা. কমলগী থম্মোয়দা লৈবা স্পিরিচুয়েল্লিজমগী মহাওদু ৱাইনুগী মচিন অতুম্বগুম থিঞ্জিন্দুনা মহাও তংনবা হোৎনরি। ডা. কমল নুপানি, নুপী কয়াসু নুংশিরম্বা য়াই, নুপী অমবু হেক্তা থাজবদি ঙম্লমদবসু য়ারি, মহাক্লা জহেরাগুম্বদি ইরমদেদনা। কমল অমসুং অঙাংহলগী ৱাখল্লোনগী খেন্নবদি লৈগনি। ঙসিগী কংলৈপাক্তসু কাঙলূপকী খেন্নবশিং শাগৎনদুনা লৈবগুম উহল্লিবসি কমল অমসুং অঙাংহল খঙবা ৱাৎপনি হায়না লৌবা তারিবরা? ঙসিতনি চীংদা চৎলু হায়নরক্লিবা, কমলগী পুন্সিনা চীংদা লোইখি, কদায়দনো ঐখোয়না ডা. কমলবু খঙলিবা?

মতম অসিমক্তদা ডা. শরতনা ডা. কমল কনানো থিরকপনি। মাধবী খঙগে হায়রবদি কমল খঙবা তারক্লি, কমল খঙদনা স্কুল-কোলেজদা মাধবীগী পাড়া তাকপা মপূং ফারোইদৌরি। নহা ওইবশিংতগী মাধবী ওইনা য়েংবা য়ারক্তবা লৈরে, লৈঙাক পায়বশিংনা মাধবী খঙবা চংই, কাঙলূপ খুদিংমক্লা কমল খঙবা তারকই, চুম্না নুংশিরি হায়বনা য়ারোই। কংলৈ-শৈলোনগী ঈচেলদুদা মশামক মৈরি ওইনা লফু তোঙ্গাদা তাওরিবা ডা. কমলগী মৈঙালদু য়েংলগা স্পিরিচুয়েলগী খোঞ্জেল ওইনা ডা. শরতনা তারি।

লাইরিক ওইনা য়েংবদদি চীংগী ৱারী-ৱাখোঙ য়াওরিবসি করিগী ওইরিবনো খল্লকই। পূন্না য়েংবদদি ঐখোয় পূল্লি হায়বা খঙদবশিংদা পাউজেল পীবনি। ডা. কমল খঙগে হায়রবদি চীংদা চত্তবা য়ারোই, চীংদা চৎত্রিবা মীওই অমত্তনা কংলৈ লমদমসি খঙবা ঙম্লোই। চীংদা চৎত্রিবা মীওইদুনা অপূনবগী শক্তম খঙবসু ঙম্লোই, শক্তম অমা শাগৎপদা য়াওবসু ঙম্লোই হায়বনি। 'মীহৌরোলগী লিপুন' দা চীংগী অৱাৎপা খরা ফোঙদোকপদুনা পেন্দবা, শারং অমদা লৈবগুম্না উরকপা পাউদমলি। চীংনুংগী ঈরাওখোলদু চীংমায়দা হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ৈশিল্লগা মাঙহল্লগদ্রা হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুম কনানা পীবিগদৌরি। চীংনুংদসু মাধবী তম্বীবা চংই। চীংদদি শোক্লা-শম্নবা য়াদবসি লৈতে, মসিদি তম্পাক খরসিগী লায়নানি। অদুমক য়ানীংদবগী থৈদোক্তুনা মাধবীদি চীংদা ইবনি, হেন্না ফজরিবদি মতম অদুগী মীয়াম্না তাবা য়ানবা (জাৎ খায়দনা) ৱারীগী প্লোট অমা শাগৎলম্বসিনি হায়গনি। মসিমক শৈলোনগী ফজবা অদুমকনি, মাধবীগী মঙম লেপ্পদা মদোম চোংথোকচরকই।

'ঈচেলদুগী ঈরাওখোল' শিংজু মথেল অমনি হায়না লৌবসু য়াগনি। চীংগী উখোং-ৱাখোং-খাং, খুনগী মমিং লম্মিৎলোন ময়াম য়াওরি। অয়াম্বনা অৱাং মায়কৈগী ওইনা তৌই। খা মায়কৈগীদি ইয়াও য়াওদবগুম তৌই। ডা. শরত লোক্তাক পাত্তা কয়ারক থেংনখ্রে। নিংঙায় অমদি তৌনীংই, করিগী লোক্তাক ময়ায়দা লৈবা চীংগী লম্মীৎলোন খরদং ওইরবসু য়াওহন্দবনো। কংলৈপাক চাউই লোইনমক লাইরিক অমদা চনবদি ওইথোক্তে। ৱাফমসি পুশিঞ্জবগী মরমদি অঙাংহলনা লোক্তাক পাত্তা চৎপগুম কমলদি লোক্তাক্তা কুল্লমদে হায়বা য়াবা থোক্লকপা অসিগী ৱাফমনি। কংলৈগী চীংশিং খঙগে হায়রবদি কৌব্রু চীং, থাংজিং চীং, থাঙ্গ চীং য়াওদ্রবদি মপূং ফাগদৌবা মান্দে। লোক্তাক হায়বসিমক শৈলোনগী ঈরাওখোলদা মখোল হৌনা তারিবা শৈহেক অমনি খল্লি। ডা. শরতকী শিংজুদদি ডা. কমলনা থম্বৌনি।

য়েংথীনবা, জাৎ খায়বা, কাঙলূপ নায়বসি ডা. কমলনা পামখিদে, য়াম্না ৱানা খাঙখি হায়বসি মাধবীদা ফুল্লগা য়াওই। কাঙলূপ খায়রগা য়েংথীনবসি অঙাংহলগী জহেরা পারগা য়ানীংদবা, পেন্দবা পোক্লরি। মসিমক লৈবাক পুংজাও থিনবা পাল্লিবা ডা. শরতনা তুমিন্না লৈনীংদে, লাংদেং পায়দুনা পুংলোন হাপ্পিংলি। লৈরক-খুল্লক খাক্তনা ঈরাওখোলদু তাহন্নীংলি। পুংলোন কায়বসু কিরুদবা থৌনা অমা ঈরোয়নরি। লাইরিক পানদবা লমদম অমদা শামু মনীংদা পেনা খোংজিনবগুম থোক্কদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরি। মাধবী অপিকপা হৈক্রুগুম্বনি, কক চিকপগা শিনবা, তিন থোকপা, শায়রগা ফকপা, ঈশিং থকচিল্লগা থুম্লকপদুনি। ঈশিং লানশিল্লক্লিবনা ডা. শরতনি। অথুম্বদি অথুম্বা চাবা পামজবশিংতনা মহাউ খঙগনি। হৈক্রু শিল্লি হায়না খনবশিংনা হৈক্রুনা পীরক্কদৌবা অথুম্বদুগী মহাউ খঙবা ঙম্লোই। মাধবীদি পরিক্ষাগী পাবগা অপূনবা খুন্নাইগী খল্লগা পাবগা মহাউ খেন্নরক্কদৌরি, ডা. শরতকী পাথাপ্না ওনবা য়ারক্কদৌরি, কমলগী উনানা ৱাচেৎনা শারল্লবনি।

ঙসিদি মাধবী পাবা হায়বসি অপূনবগী শক্তম শাগৎপা ওইনা লৌবসু য়ারে। পান্দমদু ফংনবা খুল্লক, লৈরক্কী য়েংথীনবা মচা-মচাদু থাদোক্লবা চংই। মাধবী খঙগে হায়রবদি কমল খঙবা তারকই। কমল খঙগে হায়রগনা শরত্তগী শো লৌবিবা তারে। ডা. কমলনা পাল্লম্বদু ডা. শরতনা মপূং ফাহনবা পাল্লকপা ওইগনি, ডা. কমলদা পীখিবা অথিংবা কয়াদুগী মৈরি-মৈশা ডা. শরত্তসু ফংলম্বা য়াই। মতম খেন্নবগী মতুংইন্না অথিংবা কয়া নমখায়বা ঙম্বা অদুমক ডা. কমলগী কমপ্লিমেন্টরি অমা ডা. শরতনা শাগৎপা ঙম্লে হায়বা তারকই। ঙসিগীদি তঙাইফদবা অদুনি।

ডা. কমল রেভল্যুস্নরি অশৈবনি, স্বিট কোটেৎ 'মাধবী' এন্টিবাইওটিক কেপসুলনি, ডা. শরতকী ফার্মাসিদা ফংবীগনি খল্লি।

কংলৈ শৈলোনগী পুক্কে লায়রবা নৎত্রে। ●